# রাজ্য সভাদা রিয়েল ইষ্টেট বিল পাস তৌখ্রে



*ন্যু দিল্লি, মার্চ ১০ঃ*
রিয়েল ইষ্টেট দিভলপরশিংদগী হোম বায়রশিংনা লৈবগী মতাংদা মতম চানা পীবা অমসুং মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং ঙাক শেন্নবগী পান্দমদা পুথোকখিবা রিয়েল ইষ্টেট বিল ঙসি রাজ্য সভাদা পাস তৌখ্রে।

কংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিনা য়ুম লৈবা মীওইশিং গীদমক য়েংলগা বিল অদু সপোর্ট তৌখিবনি। মমাঙ চয়োলদা কংগ্রেস পার্টিনা প্রাইম মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল পীদুনা বিল অদু অখন্ননা পার্লিয়ামেন্ট মীফমদা পুথোক্লবা খঙহনখিবা লৈখি হায়খি।

কংগ্রেসনা পায়খৎখিবা থৌশিল অদু লৈঙাক্লা খঙবগা লোয়নননা বিল অদু পুথোক্কুনা রাজ্য সভাদা পাস তৌখিবনি। লৈঙাক্লা এমেন্টমেন্ট ২০ য়াওনা শেম্বা য়াবশিং শেমদোক শেমজিন তৌদুনা পুথোক্লি।

পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটিনা পীরকপা ফিদ বেগ কয়াসু লৈখি। মমাঙ চহীদা বিল অদু রাজ্য সভাদা পুথোকপদা সভানা রিজেক্ট তৌখিবনি। রিয়েল ইষ্টেট (রিগুলেসন এন্দ দিভলপমেন্ট) বিল না মরু ওইনা মফম অদুদা লৈরিবা মীওই অমসুং লল্লোল ইতিক তৌরিবশিংগী য়েংলগা লৈরিবা য়েংবা য়াবা ফিভমশিং মোনিটর তৌদুনা বিল অদু শেম শাখি।

হৌখিবা চহীদা পুথোকখিবা প্রোজেক্ট কয়া থেংথদুনা লৈরি। মদুগী মনুংদা য়ুম লৈবশিংগী শাফহন্নবা থৌরাংশিংসু য়াওখি। অনৌবা প্রোপোজেল অসিনা প্রোজেক্ট অসিগী মখাদা রেজিষ্টার তৌরবশিংদা কান্নবা পীরগনি।

মদুগী মনুংদা ফ্লেট লৈবা অমসুং স্কার ফিট ৫০০গী লম লৈবশিং য়াওরি। য়ুম শাবা কাংবুশিংনা লম অদু য়োন্দ্রিঙৈগী মমাঙদা মীওই কয়াদগী লম অদুগী ভেল্যু চাদ ৭০ দিপোজিট তৌগদবনি।

মদুগী মতুংদা য়ুম শাবদা চংগদবা শেনফমশিং চাদ ৫০ পাগদনি। য়ুম শাবা কাংবুনা য়ুম লৈগদবা মীওইশিংদগী মখোয়না লৈগদৌরিবা মফম অদুদা চংখিবা শেনফমশিংগী শেন্দোয়সু য়াওনা লৌখৎনবগী খুদোংচাবা লৈগনি।

য়ুম অদু চহী ৫ ফাওবগী মনুংদা অশোয় অঙাম থোক্তবা ওইগদবনি। য়ুম লৈরিবা মীওইশিংনা মখোয়না পীগদবা শেনফমশিং চহী ২ থেংথরবদি মদুগী চপ চাবা শেনে দায়সু পীগদবনি হায়রি।

# য়ু এসকী নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা ৫ শীরে পুলিসনা চিংনবা মীওই ফাননবা থিখ্রে

*ৱাশিংতন, মার্চ ১০ঃ*
য়ু এসকী অৱাং থংবা সহর অমগী বার অমদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা মীওই অনী শীরে। থৌদোক অদুদা চেন্নবনি হায়বা মীওই অনী কোয়চেন চেন্দুনা লৈরি হায়না পুলিসনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

মফম অদুদা নুপী ৩ য়াওনা নুপা ১ শীখি। অদুগা অতোপ্পা নুপী অমা লায়েংনবা হোস্পিটালদা পুখৎলবা মতুং লৈখিদে হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদুদা মীওই কয়া শোকখি। মদুগী মনুংদা মীওই অনীগী ফিভম লুরি হায়রি। থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা ৱিলকিন্সর্বগকী সহর অমদা থোকখিবা থৌদোক অদুদা মীওই ৫ লৈখিদ্রে। অদুগা কয়া অমনা অশোক অপন নংখ্রে।

পুলিসনা থৌদোক অদুগী লংলা লংজিন পুথোক্লবা হোৎনরি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মীওই অমত্তা পুলিসনা ফাজিনবা লৈত্রি।

ৱিনকিন্সর্বগ হায়রিবা মফম অদু পিটচর্বগতগী কিলোমিটর ১০ রোম চৎলগা লৈবা মফমনি। পুলিসনা হায়, মফম অদুদা মীওই অমা চংশিল্লক্কুনা নোংমৈ কাপখি। মীওই কয়া খুদোংথিবা থৌদোক অদুদগী নাম্বোক্লবা হোৎনখি।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা হৌজিক ফাওবদা মীওই অমত্তা ফাবা লৈত্রি। কে দি কে এদা এফিলিয়েট তৌবা সি বি এসনা রিপোর্ট তৌরকখিবদা মফম অদুদা নোংমৈ কাপ্পগী মখোল ৩০–৪০ রোম তাখি হায়না য়ুমথংনবশিংনা ফোঙদোরকখি হায়রি।

চরাংনরিবা মফম অদুদা এম্বুলেন্স ৭ চংশিল্লকপসু মীয়াম্না উখি। কালিয়া অলেকজেন্দর কৌবা লমদম অদুদা লৈবা মীওই অমনা ফোঙদোরকখিবদা নোংমৈ কাপ্পগী মখোল তাখ্রবা মতুং লমদম অদু পুংচিক চিকখি। অদুগা মফম খরদা অঙাং খরা শান্নদুনা লৈবা উখি হায়রি।

লোকে মেদিয়ানা রিপোর্ট তৌরকখিবদা মফম অদু পুলিস পার্সোনেল কয়ানা পীক থনখি। লমদম অদু ফাওনা চৎকদবা লম্বীশিং মী চৎপা য়াখিদে হায়রি।

# টর্কিদগী গ্রিসতা চংশিন্নবা হোৎনবা অঙাং য়াওনা অফগান মচা ৫ ইরাক্লদুনা লৈখিদ্রে

*ইষ্টানবুল, মার্চ ১০ঃ*
থা ৬কী অঙাং য়াওনা টর্কিদগী গ্রিসতা লানশিন্নবা হোৎনবা অফগান মচা ৫ ঙরাং অহিং এজিয়েন্ট সমুদ্রদা ঈরাক্লদুনা লৈখিদ্রে। য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ননা আইন কায়না চংশিল্লকপা মাইগ্রেন্টশিংগী চপ চাবা থবক লৌখৎনবা খন্নখ্রে।

টর্কিন্দগী মীওই কয়া গ্রিস তম্না চংশিল্লকপদা খুদোংথিবা কয়া থোকখি। টর্কিগী মিনিষ্টর ভোলকান্ত বোজকীনা হায়, অঙ্কারানা আইন কয়ানা গ্রিসতা চংশিন্নবা হোৎনরিবা মাইগ্রেন্টশিং লৌশিনগদবনি। মীওই কয়াদি গ্রিসকী ঈথৎ কয়াদা থুংখ্রবনি।

লৈবাক অদুদগী মীওই লিশিং কয়া হল্লকপা য়াই হায়রি। য়ুমশকৈশ নুমিৎকী নুমিদাংদা হি লাকশিনবগী থৌদোক্তা খুদোংথিবা নংলুরবা মীওই অমনা ফোঙদোরকখিবদা গ্রিসকী ঈথৎ লেসবোজ তম্না ঙরাং অহিং চৎপদা ঈশিং নুংশিৎকী ফিভম ফত্তবনা হি লাকশিনখি।

মদুদা মীওই কয়া লৈখিদে। কয়া অমনা ঈরোইদুনা হিংননবা হোৎনখি হায়রি। সমুদ্রদগী অশিবা হকচাং মরি ফংখ্রে। মদুগী মনুংদা থা ৬তা ঙাইরিবা অঙাং অমগী হকচাং য়াওরি। অদুগা মীওই ৯না ঈশিংদগী কনবা ঙমখি।

মী কনবা কাংবুনা মখা তানা ওপরেসন চথরি হায়না কোষ্ট গার্দ ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরক্লি। অহানবা ওইনা ফংবা পাউগী মতুং ইন্না গ্রিসতা চংশিল্লকখিবা মীওইশিংগী মনুংদা ইরান মচা কয়া য়াওরি।

অদুম ওইনমক কোষ্ট গার্দনা থেংনা ফংখিবা পাউদদি ইরান মচা য়াওখিবগী খুদম ফংদে হায়রি।

য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ননা আইন কায়না চিংশিল্লকপা মাইগ্রেন্টশিং লৌশিন্নবগীদমক টর্কিন্দা য়ুরো বিল্লিয়ন কয়া শেন্থং পীখ্রবনি হায়রি। নিংথৌকাবা নুমিৎতা ড্রাফ দিল অদু তৌনখিবনি।

টর্কিনা মীওই কয়া ভিসা য়াওদনা লৌশিন্নবগী থবক পায়খৎকদবনি হায়রি। মী লল্লোনবা কাংবুনা আইন কায়বা মওংদা মীওই কয়া এজিয়েন্ট সমুদ্র ফাওদুনা থাজিন্নবা হোৎনরি। অদুম ওইনমক মাইগ্রেন্টশিং অদুনা টর্কিগী সমুদ্র মপান্দগী গ্রিস তম্না চৎননবা হোৎনরি হায়রি।

# য়ুনিয়ন কেবিনেটনা খুঙ্গংগী লাইরবা ইমুংশিংগী চাকথোং গ্যাস কনেক্সন লেম্না পীবগী লুপা ক্রোর ৮০০০গী স্কিমদা য়ানিংবা উৎখ্রে

*ন্যু দিল্লি, মার্চ ১০ঃ*
খুঙ্গংগী লাইরবা ইমুংগী নুপী অমদা লেম্না চাকথোং গ্যাস কনেক্সন তৌবগী খুদোংচাবা পীগদবা লুপা ক্রোর ৮০০০গী থৌশিল য়ুনিয়ন কেবিনেটনা ঙসি অয়াবা পীখ্রে।



প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংখিবা কেবিনেট মীফম অদুনা লুপা ক্রোর ৮০০০ চংগদবা প্রধান মন্ত্রি উজৱালা য়োজনা থৌশিল অদু অয়াবা পীখ্রে হায়না ওইল মিনিষ্টর ধরমেন্দ্র প্রধাননা ফোঙদোরক্লি।

বিল্লো পোভর্টি লাইন (বি পি এল) ইমুংদা লৈবা নুপী অমদা লেম্না লিক্যুদিফাইদ পেট্রোলিয়ম গ্যাস (এল পি জি) কনেক্সন পীবগী স্কিম ৱারফুটিংদা চথগনি হায়রি।

ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা ইং ২০১৬–১৭কী বজেট পুথোকপদা লাইরবশিংদা অহেনবা গ্যাস ফংহন্নবা থৌশিল য়াওই হায়না লাউথোকখিবা লৈখি। লৈবাক অসিদা লৈরিবা নুপী কয়া ইমুংগী চাক থোংবদা সাপ অমগুম্না মৈখু মায়োক্নরি।

এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না ইমুংগী চাক থোংবদা থোক্লিবা মৈখু অদু পুং ১দা চুরুট মচৈ ৪০০ থকপগা মান্নৈ। অদুগুম্বা ফিভম অদু লাকশিন্নবা হোৎনবনি হায়না ফোঙদোকখি।

জেটলিনা ফোঙদোকখিবদা লৈঙাক অসিনা লাইরবা ইমুংগী নুপীশিংদা এল পি জিগী কনেক্সন পাক শন্না পীননবা ৱারেপ লৌবনি। এল পি জি কনেক্সন পীবদা অহানবা ওইনা লুপা ক্রোর ২০০০ চংগনি। মদুনা লাইরবা ইমুং ক্রোর ১.৫দা খুদোংচাবা ফংগনি।

থৌশিল অদু মথুংগী চহী ২ ফাওবা চথগনি। থৌশিল অদুনা মপুং ফানা চথবদা বি পি এলগী ইমুং ক্রোর ৫ কোনশিনবা ঙমগনি।

খোঙথাং অসি নুপীশিংগী শক্তি হেনগৎনবা অমসুং হকচাং ফনা লৈহন্নবা পায়খৎপনি হায়না ওইল মিনিষ্টরনা ফোঙদোরক্লি।

# ইসরোগী পি এস এল ভি–সি ৩২না ইন্দিয়াগী ৬শুবা নেভিগেসন সেটিলাইট ওর্বিটতা থমখ্রে

*শ্রীহরিকোটা, মার্চ ১০ঃ*
ইন্দিয়া স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন (ইসরো)না ঙসি নেভিগেসনগী লমদা মশানা পুথোকচবা সিষ্টেম শিজিন্নদুনা নেভিগেসন সেটিলাই আই আর এন এস এস–১এফ ওর্বিটতা থমখ্রে।

পোল্লর সেটিলাইট লোঞ্চ ভেহিকল (পি এস এল ভি) সি ৩২ কিলোগ্রাম ১,৪২৫ লুম্বা আই আর এন এস এস–এফ ১ (ইন্দিয়ান রিজনেল নেভিগেসন সেটিলাইট সিষ্টেম)না ছটিস ধাৱন স্পেস সেন্টরদগী ঙসি পুং ৪.০১ চৎপদা পুদুনা চৎখি।

মিনিট ২০গী মতুংদা পি এস এল ভি–সি ৩২না মায় পাক্লা আই আর এন এস এস–১ এফ ওর্বিটতা থম্বা ঙমখি হায়না মিসন অদুগী দাইরেক্টর জয়কুমারনা ফোঙদোরক্লি।

আই আর এন এস এস–১এফ লৈবাক অসিনা পায়খৎপা থৌশিলগী ৬শুবা নেভিগেসন সেটিলাইটনি। সেটিলাইট অদুনা মনিং তম্না রিজনেল নেভিগেসন সিষ্টেম পায়খৎকনি।

অমেরিকান গ্লোভেল পোজিস্নিং সিষ্টেম (জি পি এস)কা মান্নবা মথৌ তৌগনি। রিজনেল নিভেগেসন সিষ্টেম অদুনা চপ চাবা মফমশিং খঙদোকপগা লোয়ননা মদুবু শিজিন্নগদবা মীওইশিংদা ই–পাউ পীগনি।

আই আর এন এস এসনা লম অনীদা থবক তৌগনি। ষ্টেনদার পোজিস্নিং সার্ভিস অমসুং রেষ্ট্রিক্টেট সার্ভিস হায়না খঙনবা লমশিংদা মথৌ তৌগনি। হায়রিবা সেটিলাইট অদুনা তৌগদবা মথৌ অদু সিষ্টেম অদু শিজিন্নবগী অয়াবা পীরবা মীওই খক্তদা ওথোরাইজ তৌগনি হায়রি।



ইসরোগী ৱাঙাংলোই অমনা ফোঙদোকখিবদা মঙাশুবা জেনেরেসনদা কাপখৎখিবা সেটিলাইটশিং চপ চানা হৌজিকসু মথৌ তৌরি। মাখোয়না পীরকপা দেটাশিং মিটর ২০দগী হেন্না চেন্নবা লৈতে। ইসরোনা ৭শুবা আই আর এন এস এস সেটিলাইট এপ্রিল থাদা কাপখৎকনি হায়রি।

# ত্রিপুরাদা চিনিগী মমল হেনগৎলকপগী মায়োক্তা বি জে পিনা খোঙজং চঙশিনখ্রে

*আগরটলা, মার্চ ১০ঃ*
ট্রিপুরাদা চিনি কেজি অমদা লুপা ৬ হেনগৎলকখিবগী মায়োক্তা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না ষ্টেট অদুগী সরকারগী মায়োক্তা খোঙজং চংশিনখ্রে।

খোঙজং চংশিনখিবা মীওই চা কয়া ফুদ দিপার্টমেন্টকী মমাঙদা থোমজিল্লক্কুনা ষ্টেট অদুদা সরকার পায়রিবা লেফ পার্টিনা খুদক্তগী চিনিগী মমল হহ্নহন্নবা খোল্লাউ কয়া লাউখি।

পাব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন সিষ্টেমদা চিনি কেজি অমদা লুপা ৬ হেনগৎখিবা অদু লাইরবশিংগী মায়োক্তনি। অদুম ওইনমক কৈথেলদদি চিনিগী মমল হেনগৎপা লৈতে হায়না মরাল শিখি।

তুংদা বি জে পিগী ষ্টেট লুচিংবনা ফুদ এন্দ সিভিল সপ্লাইগী স্পিসিয়েল সেক্রেটরী উন্দুনা চিনিগী মমল হহ্নবা খঙহনখি।

বি জে পিগী হান্নগী এম এল এ সুবাল বালনিকনা হায়, ট্রিপুরা লৈঙাক্লা ষ্টেট অদুদা পীগদবা পি দি এসকী মনুং চনবা চিনিগী মমল কিলোগ্রাম অমদা লুপা ৬ হেনগৎখিবা অদুনা ষ্টেট অদুগী লাইরবা মীয়ামদা অহেনবা পোৎলুম পুহল্লগনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা চিনিগী মমল হেনগৎপা লৈতে। অদুম ওইনমক ষ্টেট অদুদা মমল হেনগৎলিবা অদু ব্লেক মেল তৌবনি। লাইরবা মীয়ামদা নমথাক তৌবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

ইং ২০১৮দা ষ্টেট এসেমব্লীগী মীখল পাঙথোক্কদবা লৈবনা শেল খোমজিন্নবগীদমক চিনিগী মমল হেনগৎহন্দুনা ফন্দ লান্না শিজিন্নবনি হায়না মরাল শিরক্লি।

বি জে পিনা হেন্না খুৎমাং চাওশিল্লকপদা সি পি আই এমনা নুংনাংবা ফাওই। ষ্টেট অদুদা লৈরিবা মীয়াম চরা হেন্দুনা লৈহনবা মখোয়না পাম্লি। চরা হেল্লবা মীয়ামশিংদা হিংননবগীদমক চরা অমা পীদুনা লৈঙাক অদু লাইরবশিংগীদমক লৈবনি হায়না উংননবা হোৎনরি।

অদুগুম্বা থৌশিল অদু বি জে পিনা য়ানিংদে। বি জে পিনা লৈঙাক অদুদা পুং ৪৮গী মতম পীবগা লোয়ননা চিনিগী মমল হহ্নহন্নবা খোঙজং চংশিনখিবনি হায়রি। বি জেপিনা লৈঙাক্লা হেনগৎলিবা চিনিগী মমল পুং ৪৮ মনুংদা হহ্নহনগদবনি। ৱাফম অদু লৈঙাক্লা চপ চাবা থবক পায়খৎত্রবদি পুং ৪৮গী মতুংদা মখা তাবা হেন্না কনবা খোঙজংশিং চংশিনগনি হায়না ভাওহিমিকনা ফোঙদোরক্লি।




# ওং সান সু চি প্রসিদেন্ট ওইবা য়াখিদ্রবা মতুং লুচিংবা খন্ননবা থবক পায়খৎখ্রে

*য়াঙ্গোন, মার্চ ১০ঃ*
ম্যান্মারগী কন্সটিট্যুসনগী মতুং ইন্না ওং সান সু চি লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট ওইবা য়াখিদ্রবা মতুং নেসনেল লিগ ফোর দিমোক্রেসি (এন এল দি)না প্রসিদেন্ট কনানা ওইগদগে হায়বা খন্নখ্রে।

লৈবাক অদুগী কন্সটিট্যুসন অমসুং মিলিটরিনা ওং সান সু চি প্রসিদেন্ট ওইবা য়াহনখিদে। মরমদি মহাক্কী মচাশিং ম্যান্মারগী সিটিজেন অমা ওইদবননি হায়রি।

ওং সান সু চিনা লৈবাক অদুগী হন্দক পাঙথোকখিবা মীখলদা চাওনা মায় পাকখ্রবা মতুং লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট হতিন ক্যাওনা ওইরবা য়াই হায়রি।

মমাঙ চহীগী নভেম্বর থাদা পাঙথোকখিবা মীখলদা এন এল দিনা অমুক্তা ওইখিদ্রব মওংদা মায় পাকখ্রবা মতুং লৱর হাউকি নোমিনি অমা ওইনা হতিন ক্যাওন ভাইস প্রসিদেন্ট ওইননবা পুখৎলকখিবা লৈখি।

মদুতা নত্তনা হেনরি ভানথিও চিন ইথনিক মাইনোরিটি এম পি ওইরক্কুনা অপ্পর হাউসকী নোমিনি ওইখি। হাউস অনীমক্লা এন এল দিগী মীরেপশিংগী মরক্তা কনানা প্রসিদেন্ট ওইগদগে হায়বা খনবা দরকার ওইরি।

লৈবাক অদুগী চৎনরিবা আইনগী মতুং ইন্না ওং সান সু চিগী প্রসিদেন্টকী মীরেপ ওইবা য়াদ্রে। কন্সটিট্যুসনগী ক্লোজ ৫৯ এফকী মতুং ইন্না ওং সান সু চিগী মপুরোইবা অমসুং মচাশিং ম্যান্মারগী পাসপোর্ট পায়দ্রে মখোয় বৃটিস মচানি হায়বগা লোয়ননা প্রসিদেন্ট ওইবগী অয়াবা পীদে হায়রি।

**সনা–সুদোকু– ৫৩৬ গী সোল্যুস**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 2 | 1 | 3 | 5 | 9 | 6 | 7 | 4 |
| 7 | 5 | 3 | 4 | 8 | 6 | 2 | 9 | 1 |
| 9 | 6 | 4 | 7 | 2 | 1 | 8 | 3 | 5 |
| 3 | 1 | 7 | 8 | 6 | 2 | 5 | 4 | 9 |
| 4 | 8 | 2 | 5 | 9 | 7 | 1 | 6 | 3 |
| 5 | 9 | 6 | 1 | 4 | 3 | 7 | 8 | 2 |
| 6 | 4 | 9 | 2 | 1 | 8 | 3 | 5 | 7 |
| 2 | 3 | 5 | 6 | 7 | 4 | 9 | 1 | 8 |
| 1 | 7 | 8 | 9 | 3 | 5 | 4 | 2 | 6 |

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR,**
Moirang
Ref. : Mutation Case No. 101/SDC/M/2016

**Md. Apaba,** S/o (L) Kadir of Kwakta Thingel
Petitioner

-Vs-

**Late Nasimbanu,** W/o Apaba of Kwakta Thingel
O.P.

**NOTICE**
Moirang, the 9th March 2016

Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 গা মরী লৈননা থোকপা নোটিস অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি পাট্টা নং ১৪২ / ৩২৭২ (অনৌবা) দাগ নং ৫২৭৩। ৭৬৫৩গী এরিয়া ০.০৭৫ একর চাওবা ইঙ্খোল খুল নং ৯১–ক্বাক্তাদা এজমালি পানমিন্নরম্বী পাট্টাদারী নং (২) মমা মৃতু ওইখ্রে। দংকারি মপুরোইবগী মিংদা পুল্লপ পানবিরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। কনাগুম্বা মিং ওনবগী থবক্তা য়ানিংদবা লৈরদি নোটিস অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ (৭) তরেৎনিগী মনুংদা য়ানিংদবগী ৱারোলদু দরখাষ্ট ওইনা থারগদবনি। লাক্তবা থোক্লবদি কোর্টনা হৌনবী মতুং ইন্না হুকুম তাগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Moirang.
SL/C/369/10

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR,**
Moirang
Ref. : Mutation Case No. 90/SDC/M/2016

**(1) Oinam Kala Singh,** S/o (L) Kunjo Singh of Tronglaobi
**(2) Oinam Shyamkishor Singh,** S/o (L) -do- of -do-
Petitioner

-Vs-

**Late Oinam (O) Mani Devi,** W/o (L) Kunjo Singh of Tronglaobi
O.P.

**NOTICE**
Moirang, the 2nd March 2016

Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 গা মরী লৈননা থোকপা নোটিস অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি পাট্টা নং ১১০১ (অনৌবা) দাগ নং ৪১৯৭গী এরিয়া ২.৫০ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম খুল নং ৫১–ঙাংখলৱাইদা পাল্লম্বী পাট্টাদারী মমা মৃতু ওইখ্রে। মচাশিংগী মিংদা পানবিরো দংকারি নং ১গী অৱাংদা ১.২৫ একরগী লম, নং (২)গী ১.২৫ খাদা হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। কনাগুম্বা মিং ওনবগী থবক্তা য়ানিংদবা লৈরদি নোটিস অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ (৭) তরেৎনিগী মনুংদা য়ানিংদবগী ৱারোলদু দরখাষ্ট ওইনা থারগদবনি। লাক্তবা থোক্লবদি কোর্টনা হৌনবী মতুং ইন্না হুকুম মখা চত্থগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Moirang.
SL/C/368/10

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR,**
Imphal West (Central)
Ref. : Mutation Case No. 449/SDC/IW(C)9/3/2016

**Angomjambam Bhanumati Devi,**
W/o (L) Longpoklakpam Bimolchandra Singh
of Sagolband Nepra Menjor Leikai
Petitioner

-Vs-

**Late Langpoklakpam Bimolchandra Singh,**
S/o (L) Mani Singh of Nepra Menjor Leikai
O.P.

**NOTICE**
Imphal, the 10th March 2016

Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 অসিগী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি মৃঃপাট্টাদার Langpoklakpam Bimolchandra Singh পীং (L) Mani Singh সাং Nepra Menjor Leikai গী মিংদা লৈবা ইঃওঃ তহসিলগী খুল নং 85-Sagolband গী অনৌবা পাট্টা নং 2054 and 1403/5230 অরিবা পাট্টা নং 2342 & 2189(O) দাগ নং 9058 and 9124/9244 অমসুং এরিয়ানা .0238 and .0040 (হেক্টর) চাওবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি নুপী অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)
SL/C/11

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICE,**
IE-I, Lamphelpat, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 11/AS&SO/IE-I, dt9/3/2016

**(1) Angom Ibochouba Singh,** S/o A Ibopishak Singh of Wangkhei Angom Leikai, **(2) (a) Angom Sonamani Singh,** S/o -do- of -do-, **(2) (b) Angom (o) Santa Devi,** W/o A. Sonamani of -do-, **(3) Angom Robindro Singh,** S/o A Ibopishak Singh of Wangkhei Angom Leikai, **(4) Angom Ronaldo Singh,** S/o (L) A. Hemchandra of -do-
Petitioner

-Vs-

**Late Angom Hemchandra Singh,**
S/o A Ibopishak Singh of Wangkhei Angom Leikai
O.P.

**NOTICE**
Imphal, the 10th March 2016

Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি village no 27-wangkhei Nongpok গী Sl. No. 234 DSLR under patta no. 371 (old), 9 (new) CS dag no. 59 an area of .1176 acra চাওবা ইঙ্খোল অসিগী মৃঃ pattara Angom Hemchandra Singh, S/o A. Ibobishak Singh of Wangkhei Angom Leikai অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারিশিংময়াম্বশিং, মতৈমা অমদি মচানুপাদা নমা ওনবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা পাউ–চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী তরেৎনি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা objection তৌবিরপা য়াগনি। মতুং লাকপা objection লৌজরোই কেস মখা চত্থজরগনি।

Sd/-
Assistant Survey & Settlement Officer,
IE-I Lamphelpat, Manipur
SL/C/11

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating .any numbers*

**Hard Sana Suduku-534**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | 4 | | 9 | |
| | | 7 | | | | | | 8 |
| | | 3 | | | | | | 6 |
| | 1 | | 8 | 2 | | 7 | | |
| 5 | | | | | | 3 | | 2 |
| 4 | | 2 | | 7 | 6 | | | 1 |
| 7 | 2 | 4 | | 3 | | 8 | 1 | 5 |
| 9 | 6 | | | 1 | | | 4 | 3 |
| | | | | 5 | 2 | 6 | | |